ককচীং দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্সকী লমজিং মখাদা ইরেংবন্দ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন শেমখ্রে

ককচীং, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস):

ককচীং দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্সকী লমজিং মখাদা ইরেংবন্দ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (আই দি এ) শেম্লে হায়না ককচীং দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্সকী কনভিনর এম মনিশোর খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হায়রিবা এসোসিএসন অসিগী কন্সটিট্যুএন্ট বোদি ওইনা ক্লব ৮ লৈগনি। ক্লবশিং অদুদি- ঈ এস সী ও, এম ৱাই য়ু সী, ঐচ এ সী ও, জে এ এম এ, আই ৱাই সী, এস দব্লিয়ু সী, আই এস এল দি ও অমসুং এ আই এফ এনি। অদুগা এম গন্ধার অমসুং এল জাতিশোরনা মথংশিংনা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুননবা খনখ্রে। লোয়ননা মীওই ১১না এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা থৌ পুননবসু খনখি। হায়রিবা ব্রাঞ্চ অসিনা লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী এৱ্রেরনেস পীবগা লোয়ননা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মতাংদা মীৎয়েং চঙলগনি।

এসোসিএসন অসি শেম্নবগী থৌরম অদুদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্সকী কনভিনর এম মনিশোর খুমননা তুংগী য়ূম্বী ওইগদৌরিবা নহাশিংগীদমক ঙসিগী মীরোলনা খূদোল খরা পীফম থোকই। কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্নবা অহিং-নুংথিল তুম্বা-চাবা খঙদনা হোৎনরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা অরায়বা মওংদা লৈকায়-লৈকায়দা ময়াই কাবা টেব্লেট, নম্বর ফোর, য়ুনচিংবা পোৎলম কয়া লায়না ফংহনবা কাঙবু অমা লৈরে। মসি মরূ ফংনা মুথৎপা অমদি থিংজিনবা মতম য়ৌরে। মরম অদুনা ব্রাঞ্চ অসি নৌনা হাংদোকপনি। মসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু।

দিষ্ট্রিক্ট অসিদা নোংমগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎ-চৈগী মমল হেন্না য়োনবসু য়ারোই। কোভিদনা মরম ওইদুনা য়াম্না ৱানা হিংলিঙৈ তাঞ্জা অসিদা দুকান ফম্লিবা লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংনা অহেনবা শেন্দোং তানবা তোকসি। খাঙতপ্তা হিংনবা হোৎনরিবা লায়রবা মীয়াম্না নম্না লৈবা দিষ্ট্রিক্টনি। করিগুম্বা গভর্ণমেন্টনা লেপ্পা মমলদগী হেন্না য়োল্লম্বা থেংনরবদি মতীক চাবা এক্সন লৌখৎকনি। ইশা-ইশাগী দুকান মমাংদা লৈঙাক্লা লেপ্পা পোৎ-চৈগী লিষ্ট থেৎপীয়ু। মসিদা ভলন্টিয়রশিংনা মীৎয়েং চঙলগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মীওই ৭৬৯ ফ্লাইটতা পুরকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ষ্টেটকী ৱাংমদা দিল্লি, কোলকাটা, গুৱাহাটি, অগরটালা অমদি আইজোলনচিংবদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৭৬৯ রোম ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট নিপান্দা পুরগা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ৬.৪৬ রোম তাবা মতমদা দিল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৭৫ রোম (ইন্দিগো ৬ঈ- ৪৫৭) ফ্লাইটনা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। ২শুবা ফ্লাইট (এয়র এসিয়া আই ৫- ৭৮৩)অসিনা ঙসি অয়ূক পুং ১০.৩৭ রোম তাবদা দিল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১১৮ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। ৩শুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া এ আই- ৭১৩) অসিনা কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৬০ রোম ঙসি অয়ূক পুং ১১.১০ রোম তাবদা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। ৪শুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ঈ- ৩৮৫) অসিনা অগরটালাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওস ৮৬ রোম ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১০ রোম তাবদা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। ৫শুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ঈ- ২০১৯) অসিনা ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩৫ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৫০ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। ৬শুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ঈ- ৬৩২৩) অসিনা কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১২১ রোম ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৫১ রোম তাবদা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। ৭শুবা ফ্লাইট (এয়র এসিয়া এ আই- ৮৮৯) অসিনা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১২৩ ঙসি নুংথিল পুং ১.৫০ রোম তাবদা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। ৮শুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া এ আই- ৭১৮) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ২. ১৬ রোম তাবদা আইজোলদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৩৬ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

এম এ ম্যুজিক/দান্সতা মিং চন্নবগী ইলিজিবিলিটি ক্রাইটরিয়া চৎনবা য়ারোই : লুপ মরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী নৌনা হাংলিবা এম এ ম্যুজিক/দান্স সেকেন্দ ইয়র কোর্সতা মিং চন্নবগী ইলিজিবিলিটি ক্রাইটরিয়া চৎনবা য়ারোই হায়না তোঙান-তোঙানবা লূপ ৪না পূন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, জে এন মণিপুর দান্স একাদেমি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, ওল মণিপুর ম্যুজিক এসোসিএসন অমসুং কিমাক্সনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রারনা থোরকপা এদমিসন নোটিসতা য়াওবা ইলিজিবিলিটি ক্রাইটরিয়া অসিনা লমদমসিগী ম্যুজিক/দান্সতা দিপ্লোমা/ দিগ্রী লোইরগা মখা তম্লিংবা মহৈরোয়শিংবু তম্বা ফংহন্দবগা লোয়ননা দিপ্লোমা/দিগ্রী কয়া পুথোক্নুনা লাক্লিবা লমদমসিগী জগোই, ঈশৈ তম্ফম ওইরিবা ইন্সটিট্যুসনশিং মুথৎনবগী মরম ওইহল্লকপা য়াই।

ভটখন্দে সঙ্গিট বিদ্যাপিথ লক্ষ্ণৌগী মখাদা এফিলিএসন তৌবা কুমজা ১৯৬২গী মে ৬তা লিংখৎখিবা মণিপুরগী অহানবা ঈশৈগী কোলেজ অমা ওইরিবা শ্রী শ্রী বাল মুকুন্দা দেব ম্যুজিক কোলেজ (এস এস বি দি এম সী) অমদি অতৈ প্রাইভেট ইন্সটিট্যুসনগী মতীক চারবা ওজাশিংনা হিন্দুষ্টানি ক্লাসিকেল ম্যুজিককী ভোকেল, তব্লা, ভাইয়লিন, সিতার, ফ্লুটনচিংবা সবজেক্ট কয়াদা লমদমসিগী মহৈরোয় কয়াবু তাকপীদুনা গ্রেজ্যুয়েট ইক্বিভেলেন্ট ওইবা চহী ৬কী সঙ্গিট ভিশারদ দিগ্রী পীরি। লোয়ননা চহী খূদিংগী সঙ্গিট ভিশারদ দিগ্রী কয়া পুথোক্লি। সঙ্গিট ভিশারদ লোইরবা মখা তমথনিংবা মহৈরোয়শিংনা য়ু জি সীগী গ্রেজ্যুয়েসন অমা লোইরবা মতুংদা মপানগী য়ুনিভর্সিটিশিংদা এম এ ম্যুজিক তম্বা য়াই হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোক্লি।

কুমজা ১৯৫৪গী নবেম্বর ২০দা লিংখৎখিবা শ্রী শ্রী গোবিন্দজি নরটানালয়া গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজগী ওজাশিংনা লমদমসিগী নাৎকী ওইবা রাস লীলা, লাই হরাওবা, ট্রাইবেলনচিংবা সবজেক্ট কয়াবু লমদমসিগী মহৈরোয় কয়াদা তাকপী-তম্বীদুনা গ্রেজ্যুয়েট ইক্বিভেলেন্ট ওইবা চহী ৩গী কোর্সকী দান্স ভিশারদ অমদি চহী ৫গী কোর্সকী দান্স অচারিয়া দিগ্রী পীরি। কোলেজ অসিদগী দান্স ভিশারদ লোইরবা অমসুং য়ু জি সীগী গ্রেজ্যুয়েট অমগা লোইরবা মহৈরোয়শিংনা এম এ দান্স দিপার্টমেন্ট লৈবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি শান্তিনিকেটনদা এম এ দান্স তম্বা য়াই হায়রি।

জৱাহরলাল নেহরু দান্স একাদেমিসু কুমজা ১৯৫৪গী এপ্রিল ১দা লিংখৎপদগী ওজা কয়ানা লমদমসিগী ওইবা লাই হরাওবা, রাস লীলা, ট্রাইবেল, থাঙ-তানচিংবা সবজেক্ট কয়াদা মসিবু পামজবা লমদমসিগী মহৈরোয় কয়া তাকপী-তম্বীদুনা গ্রেজ্যুয়েট ইক্বিভেলেন্ট ওইবা চহী ৬কী কোর্সকী দান্স দিপ্লোমা অমদি চহী ৯গী কোর্স পোষ্ট দিপ্লোমা সর্টিফিকেট পীরি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, একাদেমি অসিদগী দান্স দিপ্লোমা লোইরবা মহৈরোয় অমনা য়ু জি সীগী গ্রেজ্যুয়েসন অমগা লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি শান্তিনিকেটনদা এম এ দান্স তম্বা য়াই। অসুম্না এম এ ম্যুজিক অমদি এম এ দান্স লোইরবা মীওই কয়া এস এস বি দি ম্যুজিক কোলেজ, গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজ, জে এন দান্স কোলেজ অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর (এম য়ু সী)দা ওজা ওইরি। শম্না হায়রবদা এস এস বি দি ম্যুজিক কোলেজ, গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজ অমদি জে এন দান্স একাদেমিদগী ম্যুজিক অমদি দান্সতা দিপ্লোমা/দিগ্রী লোইরবশিংনা য়ু জি সীগী গ্রেজ্যুয়েসন অমগা লোয়নরগা এম এ ম্যুজিক/দান্স তম্বগী অয়াবা মপানগী য়ুনিভর্সিটিশিং অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা লৈরি।

অদুবু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা মসিগী এম এ ম্যুজিক/দান্স তম্বদা বি এ ম্যুজিক/দান্স নৎত্রবা অতৈ দিপ্লোমা/দিগ্রী য়ারোই হায়না পীরিবা চৎন-কাঙলোন অসি অঙকপা ফাওই। এম এ ম্যুজিক/দান্স তমজনিংবা অদুবু মপান্দা চৎতুনা তম্বা ঙমদনা লৈরকপা মহৈরোয় কয়ানা এম য়ু সীদা এম এ ম্যুজিক/দান্স হাংলকপদা তম্বা ফংলগনি খন্দুনা হরাওরুবা কয়া চৎন-কাঙলোন অসিনা নীংবা কায়হল্লে। হেন্না ঙক্লিবা অমনা এম য়ু সীগী হান্নগী মহৈরোয় নৎতবশিংদি চহী ৩৫দগী হেনবা য়ারোই অদুনা এম য়ু সীগী মহৈরোয়শিংগীদি চহীগী অথিংবা লৈরোই হায়বসিনি। হায়রিবা চৎন-কাঙলোন অসিদি এম য়ু সীগী মহৈরোয়শিং অমদি মসিগী ওথোরিটিনা লৌতুনরগা শেম্বা মখোয় খরখক্কী ওইবা, অতৈ গ্রেজ্যুয়েট ইক্বিভেলেন্ট ওইবা দিপ্লোমা/দিগ্রী পায়বা লমদমসিগী মহৈরোয়শিং হাৎতোক্নবা লোয়ননা দিপ্লোমা/দিগ্রী পুথোক্লিবা ইন্সটিট্যুসনশিং অসি মুথৎনবা হোৎনবা থৌওংনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে হায়না চেরোল অসিনা মরাল শীরক্লি।

চহী ৬০/৭০ শুরবা লমদমসিগী ফজরবা ঈশৈ/জগোইবু মালেমদা উৎতুনা লমদমসিবু মালেমদা মশক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্লিবা ঈশৈ অমদি জগোইগী ইন্সটিট্যুসন অসিগী মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংবু ইকায়বা পীবগী থৌওং অসি খূদক্তা লেপকদবনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি মপানগী য়ুনিভর্সিটিশিংদা এম এ ম্যুজিক/দান্স তম্বদা লমদমসিগী দিপ্লোমা দিগ্রী লোইরবশিংদা অয়াবা পীরিবা অসিগুম্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনসু হায়রিবা মহৈরোয়শিং অসিবু এম এ ম্যুজিক/দান্সতা মিং চনবা য়াগদবা অনৌবা চৎন-কাঙলোন শেমগদবনি। অনৌবা চৎন-কাঙলোন শেমদুনা অনৌবা এদমিসনবু নোটিস অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা হৌজিক চৎথরিবা এম য়ু সীগী এম এ ম্যুজিক/দান্সতা মিং চন্নবগী এদমিসনগী থবক থৌরম খূদিংমক খূদক্তগী লেপকদবনি। মসিগী মায়োক্তা লেপ্লকপশিংদা থোরকপা অফ-ফত্তা খূদিংমক মশা-মশাগী ওইজগদবনি হায়রি।

লোয়ননা হায়রিবা ইন্সটিট্যুসন অসিনা য়ু জি সীগী লেভেলদা পুথোক্ত্রিবা ফাওবা ইন্সটিট্যুসনশিং অসিগী মহৈরোয়শিং এম এ তম্বা ফংহনগদবনি। হায়রিবা ইন্সটিট্যুসন অসিগী ওজাশিংনা হীরমসিদা তুমিন্না লৈশিনবা হায়বসি য়ানিংদে। মখোয়না তাকপী-তম্বীরিবা, পীরিবা সর্টিফিকেট চৎনদে হায়বসি মখোয় অমদি ইন্সটিট্যুটপু ইকায়বা পীবনি হায়বসি খঙজদে। চৎনরোইদবা ওইরবদি মহৈরোয়শিং মিং চলহল্লনু, কোলেজ মুখৎপীরো, মহৈরোয়শিং লান্না লমজিংদুনা মাঙহনবীগনু। থাগী তোলোপ শোয়দ্রগা লোইরে খনবীগনু হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অৰাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস):

অনিংথুই রেম্মৈনা লৈখিদবদা থাংমৈবন্দ কেন্দ্র দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (টাকদো)না অৰাবা ফোঙদোরক্লি।

টাকদো ট্রাইবেল ফোরমগী জেনরেল সেক্রেটরি রোমিও পালমৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন য়াওনা টাকদো ট্রাইবেল ফোরমগী এগজেক্যুটিভ মেম্বরশিংনা ঙসি মিনিট ২ তুমিন্না লেপখি। টাকদো ট্রাইবেল ফোরমগী ভাইস চেয়রমেন অমদি ট্রেজররগী থৌ পুরম্বা অনিংথুই রেম্মৈনা পূন্সিগী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা ফোরম অসিগী এক্টিভ মেম্বর ওইনা থৌ পুরম্মী। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী নাক্তা ঈংনা-চিক্লা পোথারুবা ওইরসনু হায়রি।

অমরোমদা, মরিং ফুরুপকী লুচিংবা থাংসা মোফোম মরিংনা লৈখিদবদা মরিং উপরপ এসেমব্লি (এম য়ু এ)না অৰাবা ফোঙদোরক্লি।

এম য়ু এগী প্রসিদেন্ট এল মোদুন চরাং অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি পিপা মেরুং দংশাৱানা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ১৯৯৭তা মরিং উপরপ এসেমব্লিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্লগা কুমজা ১৯৯৮দগী কুমজা ১৯৯৯ ফাওবা এক্টিং প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরম্বা থাংসা মাফোমনা হৌখিবা নবেম্বর ১৪দা মনুং-মতম চাদনা তাইবংপান থাদোক্তুনা চৎখিবনি। লুচিংবা অসিনা হিংলিঙৈ মতমদা মরিং ফুরুপকী য়াইফনবগী মতাংদা লৌখৎলম্বা থবক থৌরমশিং শীংথানিংঙাইনি। মহাক্লা লৈখিদবা হায়বসিনা মেনশিনবা ঙমদ্রবা অহোবা অমা লৈহৌরগনি হায়রি।

এইদেদ স্কুলশিংদগী রিটায়র্দ তৌরবা ওজা ৩০ রোমদা লুপা লিশিং ৫/৫ পীরগনি : কে সরতকুমার

জিরিবাম, নবেম্বর ১৭ (ঐচএনএস):

জিরিবামদা লৈবা এইদেদ স্কুলশিংদগী রিটায়র্দ তৌরবা ওজা ৩০ রোমদা লুপা লিশিং ৫/৫ পীরগনি হায়না লাউথোকখিবা অদু হন্দক্কী নবেম্বর থা অসিদগী পীরগনি হায়না মণিপুর ফুদ এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদকী ভাইস চেয়রমেন কে সরতকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা পি দব্লিয়ু দি গেষ্ট হাউসতা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবা অমদা নিংঙোল চাক্কৌবগী য়াইফ পাউজেল পীরদুনা কে সরতকুমারনা হায়খি, জিরিবাম এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা পোল্লিং ষ্টেসন ৪০ রোমদা লৈরিবা মীয়ামদা লৈঙাক্লা অনা-লায়েংগী পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী কান্নবা মপূং ফানা ফংহন্নবগীদমক চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং (সী এম ঐচ টি) অমদি প্রধান মন্ত্রি অয়ুশমান ভারতকী কার্দশিং ফংফম থোক্লবশিং নবেম্বর থা অসিদা য়েন্থোক্লগনি। হকশেলগী কার্দশিং অসি য়েন্থোক্কবা হোৎনবদা কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইদুনা মতম খরা লেপ্লুরবসু এস ও পি ঙাক্লা কার্দশিং অসি য়েন্থোক্লগনি। লোয়ননা জিরিবামগী মতাংদা নোংমা-নীনি অসিদা তাবদা নুংঙাইতবা ৱাফম খরা থেংনৈ। মসি মণিপুর অমদি জিরিবামগী ইন্টরেষ্টতা তৌবীদনবা অমদি তৌরিবশিং অদুদা অদুগুম্বশিং অদু তৌবীগনু হায়নসু মীদিয়াগী খূথাংদা ফোঙদোকচরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

[illegible]

TRANSLATING
DRAFTING & EDITING
AT
WONDER WORD WEAVER

1. Translating works in Manipuri into English.
2. Editing thesis for research scholars.
3. Editing project-works for students.
4. Editing articles for newspaper, magazines, press, etc.
5. Drafting applications or representations.
6. Editing applications or representations.

*Authors, writers, journalists, reporters, research scholars and students can avail the above services at affordable prices.

For details please contact :
WONDER WORD WEAVER
8974642764
Or write to :
wonderwordweaver@gmail.com
phoenixrhymeschool@gmail.com

HL-B/6513/8/11-6/12 (alt)

ADVANCED COACHING INSTITUTE
ADMISSION OPEN
MEDICAL & ENGINEERING NEW FOUNDATION COURSE

NEW FOUNDATION COURSE 2020
CLASS X(BOSEM) CLASS X(CBSE)
CLASS XI (COHSEM & CBSE) CLASS XII (Sc.,Arts & Commerce)

BATCHES
Morning: 4.30 -7.50 A.M & 8.15-11.30 A.M
Evening: 12.30-3.45 P.M & 4.30-7.45 P.M

LIMITED SEAT
FIRST COME FIRST SERVE
OFFICE HOUR : 11 A.M. TO 3.30 P.M

SEPARATE HOSTEL FOR BOYS AND GIRLS'

SPECIAL CONCESSION
1. 50% OFF IN REVISION COURSE (Ex student).
2. SPECIAL FEE CONCESSION ON 90% & ABOVE IN X EXAM.
3. REGULAR MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY.
4. SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVERNMENT SCHOOL.

Last date of admission: 18th NOV. CLASS STARTED: 19th NOV'20

ADVANCED COACHING INSTITUTE NAGAMAPAL
Whatapp no : 8787586090 / 9862992105
advancedcoachinginstitute12@gmail.com
NAGAMAPAL LAMABAM LEKAI, NEAR RIMS ROAD JUNCTION
FOR QUERY : 9862992105

HL-B/6518/10Nov.-7Jan. (alt)

ꯊꯥꯒꯠꯄ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থুবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থুরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থুরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থুরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-P/7946/29/10-27/11

ꯁ꯭ꯔꯥꯗ꯭ꯙ / শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নম :

পুর্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বায়গী ইরক্তা তিনবীরন্বী **নিংথেমচা ওংবী শশিবালা (ভানু) শিজ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতে অমদি মরুপ-মপাং খ্বায় পুম্নমকপু থাদোক্লুম্লগা, হৌখিবা তাং ১৩/১১/২০২০ ইং, মেরাগী ২৮নি পানবা ইরাই নুমীৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শর্ব্ব জ্ঞানেশ্বরী চৈতন্য দাসী হায়না নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১৮/১১/২০২০ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ৪নি পানবা য়ুমশকৈশ নুমীৎতা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, তাং ২৫/১১/২০২০ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ১১নি পানবা য়ুমশকৈশ নুমীৎতা চিড়া-উৎসব দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবী বৈষ্ণবীগী আত্মা-শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র প্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পুম্নমক্না মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবীরনবা পাউচেগী খূৎথাংদা নিমন্ত্রণ কচ্চরি। পাউচেগী খূৎথাংদা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

অয়ুক পুং ৮.০০ ঃ ভেক কৎপা
অয়ুক পুং ৯.৩০ ঃ সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা।

বিনীতগণ ঃ-

১. নিংথেমচা ওংবী সোরোজিনি শিজ	(মচে)	১. রাজকুমার অটোবিসনা সিংহ	(মতৈ)
২. নিংথেমচা নিঙোল গুনিসনা দেবী	(মচনুপী)	২. রাজকুমার মারজিৎ	(মচানিপা)
৩. নিংথেমচা নিঙোল ভানিসনা দেবী	(মচনুপী)	৩. রাজকুমার গুনজিৎ সিংহ	(মচানিপা)
৪. নিংথেমচা নিঙোল ইবেতোনসনা দেবী	(মচনুপী)	৪. রাজকুমার জিরণজিৎ সিংহ	(মচানিপা)
৫. নিংথেমচা নিঙোল শান্তিসনা দেবী	(মচনুপী)	৫. রাজকুমার মঙালসনা সিংহ	(মচানিপা)
৬. নিংথেমচা ওংবী নোলিনি দেবী	(মমৌনুপী)	৬. রাজকুমার মোতিলাল সিংহ	(মশুনিপা)
৭. নিংথেমচা নিঙোল সুরঙ্গিনী দেবী	(মচানুপী)	৭. রাজকুমার গন্ধারজিৎ সিংহ	(মশুনিপা)
৮. নিংথেমচা ওংবী চেতনপ্রিয়া দেবী	(মমৌনুপী)	৮. রাজকুমার বিকেন্দ্রজিৎ সিংহ	(মশুনিপা)
৯. নিংথেমচা ওংবী জেসমিন দেবী	(মমৌনুপী)	৯. সৌগাইজম শক্তিৎ সিংহ	(মশুনিপা)
১০. নিংথেমচা নিঙোল খেদারানি দেবী	(মচানুপী)	১০. রাজকুমার টিস্যাজিৎ সিংহ	(মশুনিপা)
১১. নিংথেমচা ওংবী ভিক্তোরিয়া দেবী	(মমৌনুপী)	১১. রাজকুমার মিলটন সিংহ	(মশুনিপা)
১২. নিংথেমচা নিঙোল লনফাসনা দেবী	(মচানুপী)	১২. রাজকুমার নিকেষ সিংহ	(মশুনিপা)
১৩. নিংথেমচা ওংবী সুনন্দা দেবী	(মশুনুপী)	১৩. রাজকুমার গগন সিংহ	(মশুনিপা)
১৪. শিবালিকা দেবী	(মশুনুপী)		

HL-B/6539/18 **মোইরাংখোম মখা লোকলাওবুং, ইম্ফাল।**

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খূদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খূৎ শিথবা, মশল পাবা, খূৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থুরক্নি। ফন্থী চাং হন্থুরক্কনি, মপান তোয়না থোক্নি, হকচাংগী পাঙ্গল শোম্থুরক্নি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফন্থী পাবা, নুপাগী ফন্থী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কচ্ছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কচ্ছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্থুবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাংনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থুরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.

HL-B/6498/03/11-02/12

ꯊꯥꯒꯠꯄ/ অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোক্লকপা, খূৎনা ইনশিনবসু য়াদবা, ফম্বা ঙমদবা অমাংথোঙদা পোমথোরকপা অদুনা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, কোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাল্লগসু হামেং মথিগুম্না খজিক্তং হাম্বা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু খূৎনা ইনশিনবা য়াদবা, ফম্বা ঙমদবা অমাংথোঙদা পোমথোরকপা অদুনা, অমাংথোঙদা য়াম্না নাবা অমদি চিকপা পোমথোরকপা অদুনা, খোঙ হাম্বগী শংবদসু য়াম্না চিকপা-নাবা, অমাংথোঙদা পোমথোরকপা অদুনা, চুম্না লৈবদসু য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাবা হেনমনখিদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা অমদি হেমোগ্লোবিন ৱাৎশিল্লকপা অমদি কোক ঙাওরকপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাল্লগসু হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ খজিক্তং হাল্লগা তোকপা, অমাংথোঙ মনুংদা চক্-চক্ থিল্লকপা, অমাংথোঙ মপান্দসু চেখায়রকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা প্রিক-প্রিক খোংবা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা চাবা-থকপসু য়াদবা অমদি খ্বাঙ য়াম্না নারগা নময়াঙ মরীদসু য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ শেংনা হামদোকপ্রগদি চিকপা-নাবশিং খরা ফবা, কাময়া অনীমক নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6537/18 *থাগৎচরিবা :* **K. Brojendro Meitei,** Sagolband

ꯊꯥꯒꯠꯄ/ শ্বর চানিং তানা হোনবা ঙমদবা, থবক অকনবা শুবা ঙমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, অহিং মপূং ফানা তুম্বা য়াদবা, শাদৌ থোংবা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, শ্বর ফুনগৎপা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌবা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা এজমানা মরম ওইদুনা তুম্বায়াদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, লোক কংখু খুবা, হরা থুংবা, শ্বর চানিং তানা হোনবা ঙমদবা, থবক অকনবা শুবা ঙমদবা, শাদৌ থোংবা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, শ্বর ফুনগৎপা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌবা, হকচাংগী মপম খূদিং চিকপা-নাবা, খূৎ হাইগৎপা ঙমদবা, মীহুল কা হেন্না চোংবা, নোং চুবদনা হেন্না শ্বর হোনবা ৱাবা, অহিং মপূং ফানা তুম্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা হকচাং হৈনিং-শিংনিংবা পোক্তবা, চোকথরগতা লৈবা, পোৎ অরুম্বা পুবা ঙমদবা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌরগা শিথরকপগুম তৌবা, করিগুম্বা পোৎ অমা পায়বদা খূৎতগী তাখিবা খঙহৌদবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/7985/18 *থাগৎচরিবা :* **T. Tangba Meitei**, Lamlai

[illegible] ADMISSION OPEN [illegible]
PRE-MEDICAL COURSE NEET (UG) - 2021
Eligibility : 10+2 *Passed*
N.B : Seats are limited.
FREESHIP AVAILABLE : * Scoring above 90% in HSE.
* Scoring above 450 marks in NEET (2020)
FEE CONCESSION : * Scoring 250 to 450 marks in NEET (2020)
* S/C, S/T, OBC, MOBC (Meitei Pangal)
FEATURES :- * Weekly Test Series * Full Length Test Series
* 12 Mega Test Series (whole syllabus)
Office Timing : 9.00 am to 3.00 pm
Moulding Medical & Engg. Career @ Apollo Academy
Kwakeithel Bazar, Airport Road
HL-B/6524/13-20

MBBS AT ABROAD
Since:2003
Admission Open 2020
ISO 9001:2015-QCS-2020-JREC-12453
Bangladesh, Kazakhstan, Kyrgystan, Russia, Phillipines, Ukraine
Free counselling for higher education ABROAD
MCI & NEXT Coaching Centre at IMPHAL
"Free Clinical Practices at JR Clinic Health Centre during Vacation"
NB: For Admission in China the NMC & Ministry of Education China has not published the list of Medical University for the session 2020/21.
INDIA/ MALAYASIA
MBBS, BDS, Nursing, B.Tech, B.Pharm, Management
JR Clinic Health Centre
Minuthong Hatta Telipati Road River Bank
Imphal, Manipur
JR International Education Consultant
(A.S.Education Trust)
Khergao Thambalkhong Near Cambridge School
Imphal, Manipur
#+91 8974084294/ 8787659341/8399087121 0385-3560172
HL-P/7788/21/10-19/11